# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-02-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা মতম খরা অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম শান্তি ওইরি। অদুমওইনমক, সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিং অমদি চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুস্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা চম্ফাই চীংশাং পরিংদগী থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, পোইন্ট টোইন্তি টু রাইফল অমা, টুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৮, লোকেল মেট বোম অমা, ইনসাচ মেগজিন মরি, স্মোগ গ্রেনেদ, ইর্স্তন গ্রেনেদ, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরুশিং, ৱয়ারলেস হেন্দ সেটনচিংবা ফাগৎপা ঙমখি। নুমিৎ অসিমক্তদা কাংপোকপী জিলাগী কাংচুপ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা আৱিমুন খুলদগী মেগজিন য়াওবা এম.এ. এলভেন এম.কে. রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল বেরেল তরুক, শেমদোক্লবা মোটার অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, কাপ্পা য়ারিবা মরুশিং, বুল্লেট প্রুব জেকেট অমদি অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

অককবা পাউগী মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী হিংশাগী থৌদোক চত্থবা অমদি মীয়ামদগী শেল খায়বা মীওইশিং ফাগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি। ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈবুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মোইরাং খুনৌ হিজম খোঙনাংখোঙ লৈকাইদগী প্রিপাক্কী মীওই অমা ফাখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সিটি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পাউনা বজারদগী মীওই অমা পল্লেনদা নোংমৈ কাপ্পগা মরী লৈননা তোকঙা শক্তে দাকপগীদমক ফাগৎখি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোইরাং বজার থাঙ্গা পার্কিংদগী প্রিপাক্কী মীওই অমা

ফাগৎখি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ (এ) ময়াই লম্বীগী পরিংগী কৈশাম্পাৎতগী লম্বী শেম্বগী থবক মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙরাং নুমিদাং য়েংশিনখ্রে।

লম্বী পরিং অসিদা শেমজিন শাজিনবগী থবক অদু মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা মুখ্য মন্ত্রিনা য়েংশিনখিবনি। মদুদা ওফিসিএলশিংদা থবক অদু নীংথিনা অমদি ক্বালিতি লৈনা পায়খৎতুনা অপিবা মতমগী মনুংদা লোয়শিন্নবা মুখ্য মন্ত্রিনা পাউতাক পীখি। মহাকা হায়-লমদম অসিগী মীয়াম অশোয় অঙাম থোক্তনা অমদি অয়েৎ অপন লৈহন্দনা লম্বীগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা হায়বসি মহাক্কী সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি।

ময়াই লম্বীগী পরিং অসি মতম কুইনা লম্বী শেম্বীদবদগী মফম অসিগী মীওইশিংনা লম্বী থিংজিনদুনা খোঙজং কয়া চংশিনদুনা লাকখিবনি। অদুমওইনমক, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা সরকার অসিনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ (এ) ইম্ফালদগী ককচিং লমখাই সেক্সন ফাওবগী লম্বী পরিং অসি শেমগৎনবা থবক পায়খৎপা হৌখিবনি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা মরী লৈনবা কন্ট্রেক্তরশিংদা নোংজ্ পন্থা লাক্ত্রিঙৈদা লম্বী শেম্বগী থবক লোয়শিন্নবা পাউতাক পীখিবনি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** তোঙান তোঙানবা ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনশিংগী চেয়ারপার্সনশিংনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখ্রে। মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নবা অদুদা অবার্ন গভরনান্স, সিভিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি রাজ্য অসিগী সহরশিংদা চাউখৎ থৌরাংশিং পায়খৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

মীফম অদুদা অমত্তা ওইনা পুন্না থবক তৌমীন্নদুনা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক

সাসন থমবা হোৎনবদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নখি। মনিপুরবু পুন্না চাউখৎপা অমদি সহরগী মফমশিংদা অওনবা পুরকবগীদমক পুন্না থবক তৌমীন্নবা হায়না ৱারেপনখি।

অমরোমদা, বিদ্যা ভারত্তি অখিল ভারত্তিয়া শিক্ষা সংস্থানগী ভাইস প্রসিদেন্ট-দি. রামাকৃষ্ণ রাওনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা মনিপুরদা মগুন লৈবা শিক্ষা ফংহন্নবা খন্নবগা লোয়ননা লৈবাক অসি শেমগৎনবা মংলানগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগী লমচৎ শাজৎ অমদি মহৈ মশিং ফগৎহন্নবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি।

**পোলো(এল)ঃ** মরিশুবা চিতা মোহিনি ষ্টেট ৱিমেন্স পোলো ক্লব, লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা হৌরগনি।

মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনদা এফিলিয়েট তৌরবা পোলো ক্লবশিংনা এন্ত্রি ফোর্ম ওফিস অসিদা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলকপা য়াগনি হায়রি।

**ধমেন্দ্রঃ** শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধাননা হায়রি-সরকার অসিনা শিক্ষাগী লমদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) য়াওশিলহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ভারত বোধান এ.আই. কনক্লেপ ২০২৬ তা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-ভারত্তা শিক্ষাগী লমদা এ.আই. য়াওশিনহনবগী থবক অসি খুমাং য়াংনা চংশিল্লি অমদি লৈবাক অসিদা হৈথোই শিংথোইরবা মীওই কয়ামরুম মতিক চানা লৈরি। শ্রী প্রধাননা হায়-ভারতকী এদুকেসনগী ফ্রেমৱার্কতা এ.আই. অসি ক্লাস থ্রিদগী এদভান্স রিছার্স লেবেলগী খুত্থাংদা হাপচিল্লগনি। মসি সবজেক্ট অমা ওইনা তমবা খক নত্তনা রিছার্স, ইনোভেসন অমসুং কম্ম্যুনিকেসনগী থবক থৌরম ওইনা শিজিন্নগনি।

**সংসদঃ** রাজ্য সভানা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা সংসদনা ঙরাং ইন্দষ্ট্রিয়েল রিলেসন্স কোড (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৬ পাস তৌখ্রে। মদুগী মমাংদা, লোক সভানা বিল অসি পাস তৌখ্রবনি।

বিল অসিগী মতাংদা পাউখুম পীরদুনা কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন্দাভিয়ানা হায়-এমেন্দমেন্ট বিল অসি আইনগী ওইবা অশেংবা অদু খঙনবগীদমক পুথোকপনি। মহাকা হায়-অনৌবা লেবর কোড মরিগী মখাদা চহি ৪০ গী মথক্তা লৈবা শিন্মীশিং চহি খুদিংগী হেলথ চেকঅপ তৌবা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইরে। মহাকা হায়-লেবর কোডকী মখাদা নুপী অমসুং নুপা শিন্মীশিংগী মরক্তা চপ মান্নবা খুৎশুমল অমসুং থবক শুবগী অয়াবা পীরি।

**সিতারামনঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা হায়রি-লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম হেন্না ফগৎনবা অমদি ইনক্লুসিপ দিবলপমেন্ট পুরক বগীদমক সরকার অসিনা রিজিলিয়ন্ট অমসুং সেল্প-রিলাইন ওইবা ভারত অমা ওইনবা কন্না হোৎনরি।

রাজ্য সভাদা কেন্দ্রগী বজেট খন্নবগী পাউখুম পীরদুনা মন্ত্রিনা হায়-ইনফ্লেসন নেমথনা থমদুনা গ্রোথ ৱাংহন্নবা হোৎনরি। নেসনেল ষ্টেটেটিক্স ওফিসনা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ তা ভারতকী জি.দি.পি. অসি চাদা ৭.৪ হেনগৎলবা য়াই হায়না পারি।

মন্ত্রিনা হায়-চহি ৭০ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা অহল ওইরবা মীওইশিং পি.এম. জন অরোগ্যা য়োজনাগী মখাদা লুপা লাখ মঙা-মঙাগী হকশেলগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। মহাকা হায়-মরুওইবা পোৎলমশিংদা লৌরম্বা জি.এস.টি. হন্থহল্লে। মসিনা অহল ওইরবা মীওইশিংদা কান্নবা পীরগনি।

শ্রীমতি সিতারামননা হায়-ভারতকী কৈথেল অসি হৌজিক্তি শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা অওনবা পুরক্তুনা থবক ফংদবগী চাং হন্থরে। মন্ত্রিনা হায়-ইং

২০১৭-১৮ দা থবক ফংদবগী চাং চাদা ৫.৬ ওইরম্বা অদু ২০২৩-২৪ দা চাদা ৩.২ দা হন্থরে। মহাকা হায়-হৌজিমক্কী ওইনা ইনফ্লেসনগী খুদোংথিনিংঙাই লৈত্রি। মহাকা হায়-বজেট অসিনা এস.এম.ই. গ্রোথ ফন্দদা লুপা কোতি লিশিং ১০ হেন্না হাপচিল্লে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হেলি সার্ভিস পোরটেল হাংদোকখিবা অমসুং লীতানদা সেক্যুরিতিনা ইরাং হেন্না থোরক্তনবা হোৎনরবসু য়ুম মৈ চাকপা লেপত্রি হায়বা পাউশিং অসিনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা মনিপুর হেলি সার্ভিস পোরটেল হাংদোকখ্রে, ফত্তনা লৈরম্বা লন্মীশিং থুংনা শেমজিল্লগনি হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। লন্মীদা খুদোংথিবা থৌদোক থোক্তনবা ফত্তবা লন্মীশিং শেমজিন্নবা হোৎনরগনি হায়না শ্রী য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অতৈ পাউচেশিংদসু মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

লৈঙাক শেম্বদা য়াওরিবা এম.এল.এ. খৌতেগী য়ুমদা ৱাইফৈ নুপীশিংনা থোমজিনখ্রে। সেক্যুরিতি ফোর্সনা টিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা তানখায়খ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ৱাইফৈ নুপীশিংনা এম.এল.এ. খৌতেনা সরকার শেম্বগী মথক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা প্রোটেষ্ট চথখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লীতানগী ইরাং মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রি, য়ুম অহুম মৈ থাখ্রে। অমুক্কসু নোংমৈ কাপখ্রে হায়বা পাউ পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ফুরুপ্তা য়ুন্স্ফম ওইরগা পোলিটিকেল দিমান্দ পীরক্লবদি মনিপুরদা নত্তনা ইনি দয়া কায়নবা মরু হুনবনি হায়না এম.পি. বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক্তা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

পঞ্চায়ট মীখল তৌদবনা লুপা ক্রোর ৬৯০ রোম মাংখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রিমসকী সাইক্যাত্রি দিপার্টমেন্টতা ওটিজম ক্লিনিক হাংদোক্লে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাড ওইনা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরদা নুপীশিংনা এম.এল.এগী ময়ুমদা থোমজিনখ্রে। টিয়ার গ্যাস কাপখ্রে হায়বা পাউ গানফিয়ু মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি এম.এল.এশিং অমসুং তাংখুল এম.এল.এশিংনা লীতানদা শান্তি পুরকবা থবক পায়খৎলকপা অসি মীতৈ-কুকি মরক্তা ইরাং থোকখিবা মতমদসু তৌরম্লবদি হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি ওইরম্লোই হায়না এম.পি. বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।